ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ১৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৬৮শুবা মশীং

## থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং

### করিদগী থোরকপনো

থোকহন্নীংদবা থৌদোক হায়রগা লৌবা য়ারিবসি থোরকফম থোক্তবা, থোকহন্দ্রবসু য়াবা থৌদোকশিংবুনি। হায়রিবা মখলসিগী থৌদোকশিংসিদি অফবা, কান্নবা, থোকহন্নীংবা থৌদোকশিং ওইদে। অদুনা ফত্তবা থৌদোকশিংনি। হায়বদি মরী-মতা, মমা-মচা, মচিল মনাও অমসুং মপাগা মচাগনচিংবশিংগী ৱা ঙাক নত্তনা মী অমনা অমবু ফূ-চৈদুনা শোকহনবা, মসিদগী হেন্দোরক্তুনা থৱায় মাঙহন্নরকপা, পীক্লিবশিং য়াওনা নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা, লম্বী-লমজাওনা থৱায় মাঙফম ওইরকপা, অকোয়বগী মহৌশাগী ফীভম কাইথরকপা, অঙৈং-অশাগী খল কায়থরকপা, মীওইবা পূন্নমক্কী মরক্তগী মীগী লমচৎ নত্তবা মতু পানবা নারক-শীংলক্তা লৈবা শাগী লিচৎ চৎনরকপা, অমনা-অমনা অচুম্বা, অশেংবা, চৎফম থোকপা লিচৎ চৎনরক্তবনচিংবা পূন্নমক অসিবু থোকহন্নীংবা, থোকহনফম থোকপা থৌদোকশিং ওইগদ্রা? ওইরোই, অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিংনি। ৱাফমসি ময়াম পূন্নমক্না য়ানগদবা অচুম্বা ৱাফম ওইগনি। অদুবু অসিগুম্বা ফত্তবা, থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিং অসি পীকখ্রবা মণিপুরসিদা য়াম্না তোয়না থোকচিল্লক্লিবা করিগীনো? ৱাহংসি হংবা য়াই। হায়বদি অফবগীসু ফত্তবগীসু থৌদোক পূন্নমক্কী চেনবা য়াররোইদবা চপ চাবা মরমশিং লৈগনি। মরম লৈতনা থোরকপা য়ারোই। অদুনা থৌদোকশিং অসিগী মখল মরোং-মরোং লোংদুনা য়াম্লবসু মসিগী মরমশিং থিদোক্কদবনি। থিদোকপদা মতম চঙবা য়াই, পাঙ্গল ৱাবা য়াই অদুবু থিদোকপদি চুমগনি নৎত্রবদি থৌদোকশিং অসি লেপ্তুনা থোরক্কনি। শুম থোকচিল্লকপদগী মশীং হেনগৎলকপসু য়াই। অদুগা ফত্তবা অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংসিগী মখলসু য়াম্বনা অমগা অমগগী মরক্তা থোরকপগী মরমদসু মান্নরোই, খেন্নবা লৈগনি।

অদুবু তোঙান-তোঙানবা মরমশিং লৈরগসু শুপচিন্না অমখক্তং য়েংলগা লৌখৎপা য়াবদা অদুঙৈ মতম অমদা লৈরম্বা চাকচা-য়ুথক, য়াহিপ, চৎন-কাঙলোন অমসুং থৌগল্লোন্নচিংবা পূন্নমক ঙসিগী মীরোলদগী মাঙখিবা, মখোয়শিংদুগী মমি মচেৎ অমত্তা তারক্তবদগী ওইফম থোকই। থকসি-খাসি অমসুং থৌগল্লোন মাঙথরকপনা অদুগুম্বা মীওই অদুগী খোঙথাং খুদিংমক্তা মরী লৈনবা য়াচল লাক্তবগী ফীভমদা লৈরকপনা গাড়ী অচৌবা অমসুং মচা থৌবগী থবক্তা ফাওবা গাড়ীশিং অদুগী কাঙলোন ঙাক্লক্তে। লম্বীগী কাঙলোন খোঙ্গাওনরকই। ইশানা করম্বা ফীভমদা লৈরগা সাইকলদগী হৌরগা গাড়ী খ্বাইদগী চাওবা ফাওবা থৌগদগে হায়বগী ৱাফমদা হে তোংলকই, কাঙলোন ঙাক্লক্তে। অদুনা লম্বী-লমজাও অমসুং লম্লোংদা থৱায় কয়াগী মাঙফম ওইরকই। অতোপ্পা য়ামখ্রবা থৌদোকশিংগীসু অদু মঙাই। মাগী মাগী ঙাক্লা চৎকদবা কাঙলোনশিং লোইনা লৈরিবনি। অদুবু থবক-থৌরম পূন্নমক্কী লৈজরিবা মশাগী লেঙদবা কাঙলোনশিং অদুবু ঙাক্লা চৎহনগদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কাঙলোনদি মীপূম খুদিংমক্না মশা-মশাগা লোয়নগদবনি হায়বনি। হৌজিক্তি ইমুং অমগী অহল-লমন, মমা-মপা ওইবশিংদগী হৌরগা মখা থাবা মচা-মনাও পূন্নমক্তা থকসি-খাসি ৱাৎলকপা, মথক-মখাগী খেন্নবা থম্নরক্তবা/মাঙশিল্লকপগী ফীভমনা হে তোংনরক্তুনা পুন্সিগী খোঙচৎ পূন্নমক্তা য়াচল লাক্তবা, কাও থাবদৌনা তৌরকপনা থবক থৌরম পূন্নমক্কী লম্বেলদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং হকথেংনহল্লকই। ৱাফমশিংসি হায় হায়দুনা অদুঙৈগী নাইরম্বা 'ফুঙ্গা' হৌজিকসু শীজিন্নখিসি, ফৈজোম খোংদাই শেৎখিসি, খুরুম তোংখিসি অমসুং না লাওনা হুৎখিসি হায়বগী ৱা নত্তে। অহল-লমননা মাঙশোক ফম্মেন নাইনা, মাঙ্গোল ফমদুনা পীরম্বা পাউতাকশিংদুসু মাঙখ্রে। মদুগী চৎনবী লৈত্রে। মীপূম খুদিংমক্কী পুন্সিগী তাঙ্কক খুদিংমক্তা ইহৌ হোবা, তয়াং তশোইনবা অমসুং ইতাও-তাওবগুম চৎনরকপনা অফবা/অচুম্বা ওইরক্কদবদগী ফত্তবা, অরানবা ওইহল্লকপনা মশীং য়ামখৎলকই। থোকহন্নীংদবা অমসুং থোরকফম থোক্তবা থৌদোকশিংনা খোঙদাফম লৈশিল্লক্ত্রে হায়বনি। মশ্বাইসিদা করিনো অমা খন্নহৌবা চুমগনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) **''লাইধি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **''মেনকাগী মচানুপী''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) **''নিতি লীলা দিবারাস''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **''পুন্সি অমসুং তিংখং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **''অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল''** শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লাংবন থাগী তর্পন মনুংসিদা খল্লুবা, নীংশিংলুবা খরা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১৯

জিতেন নামৈরাকপম

খল্লুরগদি য়াম্না নুংশিবজাৎনি। নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬না শাবা চহী অমদা ঐখোয় মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম/গৌরিয়া হায়গেরা নৎত্রগা সনামহী লাইনীংবু হায়গেরা থা ১২ অসিগী মনুংদা থৌরম পাঙথোক্তবা করি থাবু লৈরিবগে? খুদম ওইনা হায়রবদা শজিবু থা হায়গদ্রা মৈতৈ ঐখোয়গী থাজৎ হৌবা শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবদগী হেক্তা হৌবা য়ারে। নুমিৎ অসি লাকপদা কৎলিবা ঙা-চাক, হৈ-রা, অনৌবা ফিজোল, শেঞ্জাও চবুন-চবুননি লংথোক্লরিবসি। তাইবঙ শেন্বা মপুগী মিংদা নীনৈ, অনৌবা চহী লাকপসিদা অনা-অয়েক য়াওদবা, অৱা-অনা নংদবা, য়াইফবা-নুংঙাইবা, পুন্সি নুংশাংবা, ঈংনা-



তপ্লা শান্তি ওইনা হিংবা পুন্সি মরেল ওইহনবীয়ু হায়বা অসি ঙাক্তনি নীনরিবসি। হায়রিবা শজিবু চৈরাওবগী নুমিৎ অসিদা ঐনা থেংনখিবা নুংঙাইতবা পাউ হায়রগদি ইয়াম্বশিং ওইবা অমখক চৈরাওবগী চাক-ঈশিং লুক হায়গদ্রা মদুবু কৎচনবা চঙবী লফু হৌরিবা ইঙ্খোলদগী লা হেকপা চৎপদা লা হেক্লা হেক্লা মঙক নোনখৎপদা বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা খুদক্তা লৈখিদবা অদুনি। ঈশ্বর হায়গেরা, তাইবঙ শেন্বা মপু হায়গেরা নৎত্রগা লাই হায়গেরা, গোদ হায়গেরা মপু মহাক লৈরগদি শজিবু চৈরাওবগী মথেলশিংদুদি কৎহনবা য়াদব্রা? খুদক্তা করিগী থৱায় পুখিবনো হংনীংই।

অসিনসু লোইবা নত্তেদো- শজিবু, কালেন, ইঙা, ইঙেন, থৱান, লাংবন, মেরা, হিয়াঙ্গৈ, পোইনু, ৱাকচীং, ফাইরেন, লমতা। শজিবু থা লোইখ্রবা মতুংদদি হরাউ কুম্মৈগী থৌরম থোইদোক্লা লৈতব্রা খঞ্জে। কালেন থা হেক লোইখ্রবা মতুংদনি হৌরক্কদৌরিবা হরাও কুম্মৈ। ইঙা-ইঙেনগী হরাও কুম্মৈ মথং মথং লাক্লগনি। ইঙেনগী নীনি পানবা কাং চিংবা হায়গেরা, পুর্ন যাত্রা, হরিশয়ন, গুরু পুর্নিমা, গোবিন্দ ঝুলোন হৌবা-লোইবা, থৱান থা লাকপদনা ওগষ্ট থাগী হরাও কুম্মৈ মথং মথং হৌজিক্কী থা সেপ্টেম্বর লাংবন অসিদা হৌখরে রাধাষ্টমি, ওজাশিংগী নুমিৎ, হৈক্রু হিদোংবা, বামন জন্ম। অদুগীসু মথক্তা হৌখরে ধাষি তর্পন। অসিদসু নত্তে লাক্কদবা ৱাৎলি, বিশ্বকর্ম্ম পুজা, চাওরেন হৌবা, দুর্গা পুজা মথং মথং...। করিসু কায়দে মীওই পুন্সি অসিদা পোক্লগা অৱা অনাগী ৱারী খক্তং লোয়নরগা কপ্লা কপ্লা শিগদবা নত্তে। পেন্না নোকথোক্কদবনি। নুংঙাইথোক্কদবনি।

ঐখোয়দগী হৈবা শিংবা হেল্লবা খঙলবা অহল ঙাক্তনি খনবীয়ু। মরম খরা শোয়দনা লৈরমগনি। মরমদি নোংমগী নুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়না নুমিৎ কৌবা লাই হায়গদ্রা, সুর্য দেব খুরুম্বা অদোম অদোমগী ইচা ইশুশিংদা হংবীয়ু - নৱা লৌদে হায়রকপসু য়াই। মণিপুর অসি পুরা পুরি মথক মখা ওন্থোকখ্রবা খঞ্জে। মরমদি ঐগী ঐ ইশাগী য়ূমফাও য়াদেকো, চাকখুমদা য়েন, ঙানু, হুই, ষণ চাহৈদবা কয়া অমা থোংজিল্লে, থকচিল্লে। মদুগী পাউখুমদি মশা মশানা শোয়দনা পীরক্কদ্রা খঞ্জে।

মতম অদু খল্লুবদা হেন্না হেন্নদুম নুংশিরকই। ঐখোয়গী য়ূম অসি নুংশি পঞ্জগে নামৈরাকপম য়াইমা অবোক্কীনা অমুস্না কৌই। য়ূমদা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া করিমত্তা হাৎপা য়াদে। থোংবসু য়াদে। অদুবু কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক হায়রগদি লুক্রাক অকংবশিং খোন্নগা মৈ হৌগৎতুনা য়েরুম হৌরগা চাখিবা মদুগী মতুংদা পুখ্রিদা চোঙথরগা ইরোইবা, ইরুজরগা য়ূমদা চঙহনখিবগী থৌদোক অদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংলক্লি। মদুদা থায়নগী অহলশিং অসিগী ৱাখল নীতি-নিয়মবু লাল্লি হায়বা য়ারিব্রা? অমুক্কসু য়েংসিকো। ঐগী পুন্সি অসিদা মৌনহানা ফম্বা হোটেলদা তল, চাগুম্বা য়োনবা মফমদা অমুক্তসু থকখিদ্রি, চাখিদ্রি হায়বা য়াই। মপান লমদা চৎপনা অমনি, হায়বদি এরোপ্লেন তোংদুনা গুৱাহাটি, কোলকটা য়ৌবনা অমনি। মখাদা চৎলগদি সর্ফেস ট্রান্সপোর্ট হায়গদ্রা অদুদা বস তোংদুনা চৎলগদি ইম্ফালদগী সেকমাই য়ৌরকপদা খান্নগনি অদুদগী মথং মথং কাংপোকপী, সেনাপতিদদি শুকখাম্বু খান্নরোই। মখা তারকপদা মাও, জখমা নুংখমা... দিমাপুর য়ৌদ্রিফাওবদি পংখামদা খামগনি। দিমাপুর লান্থোক্লকপা য়ুগী মফম খৎখতি হায়বা অদু ফাওবদি পংখামদা খাম্বা য়াই। অদুদগীদি গুৱাহাটি ফাওবা ষ্ট্রেটতা গাড়ী অদু নেৎলগা থৌখ্রবনি। ৱারী অসি অসুম অসুম তমজরকপদা ইম্ফালদগী দিমাপুর লান্থোকখিদুনা গুৱাহাটি য়ৌশিনখ্রে ৱাখলদি ইম্ফালদা লৈহৌরি। ইম্ফালদনা অমুক কমদৌবা। ইম্ফালগী ৱারী লীরগদি তেনখ্রবা কলম অসিদা লোইবা শুক্লাই নাইররোই, তৌবতবু মখা চথুজরি।

মমাঙগী খূৎইদসু থমজখ্রে মণিপুর হরাও কুম্মৈতনা য়োন্নবা লৈবাকনি। পূন্নমক অসি ওইনীংবসু ওইজখ্রসনু অদুবু নহান্দগী হৌখিবা তর্পন কৎপা, লৈখিদ্রবা ইপা-ইপু, ইবেনধৌ, ইবোক, মরুপশিং, ইমান্নবশিং, লৈখিদ্রবা খুদিংমক্তা কৎচবা হৈশোই, হৈ-লৈ ময়াম অসিগী মতাংদা তমজনীংবা পাউজেল খরখক্তনি।

হৌজিক সেম হায়ব্রা এ ফোর এপ্পল হায়রদি নর্সারি তম্বা অঙাংশিংনা হেন্না খঙলগনি। এপ্পল কেজি অমদা লুপা ২৫০/৩০০, অঙ্গুর, কফোই, অঙ্গুরগী মতাংদদি মমল পঞ্জররোই অদোম্না লৈরুরগা খঙবীগনি। অদুদগী কোমলা, চমপ্রা, য়ুবি, লফোই, হৈ-রা, ওন্থোক্লা হাওই খঞ্জরিবা হৈজ্রাং, থমচেৎ, মঙ্গ্রা অঙাংবা, চেঙ-থোইদিং, তিংথৌ, ক্বা পূন্নমক অসি লাইশোন শোল্লগা পুখ্রি নৎত্রগা তুরেলদা হৈদোকখিবনি। পূন্নমক অসি ওইজখ্রসনু ঐখোয়গা তিন্নরম্বা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরম্বা থৱায়শিং অদুনা ঐখোয় পূন্নমকপু থাদোক্তুনা চৎখিবা, ঐখোয়দগী লাপথোকখিবা মতমদা মখোয়গীদমক মীৎকী পিরাংগা লোয়ননা মখোয়গী থৱায় মীরেলদা কৎফম থোকপনি খঞ্জে। তর্পনগী মতম লাকপসিদা লৈখিদ্রবা ইপু, অবোক, ইখুরা, ইমা-ইপা, লোয়ন-তিন্নরম্বা মরুপ মপীজাশিং নৌহৌননা নীংশিংহল্লকপগা লোয়ননা পূন্নমক্কী মফমদা ইকোক নোন্না খুরুমজরি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৪

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

ঐখোয়না পঙলিঙৈদা মীরমগী গোত্রগী পুকোকশিংগী খূত্থাংদা ইপা-ইমা, ইপু-ইবেনগী অমদি শাগৈগী অহল-নহা লৈখিদবা থৱায় মিরেলশিংগীদমক্তনি হায়না মীরম মচাশিংনা ফু হৌরগা মীরমগী লাইদা কৎলম্বদুগা ঐখোয় ইনাৎকী ফু হৌবশিংনা/ঐখোয় ইশানা ৱালহৌজরগা ইশাগী ইরোলদা হায়জনীংবা/নীজনীংবা কয়া ইশানা/ইনাৎকী ইরাৎ ইশোন হৈবা শিল্লেরোম্বনা খুন্নাইসিগী য়াইফনবা থম্মোয় শেংনা কৎপসিদগী হেন্না ফবা অমা মালেমগী মফম অতৈদা কোয়না চৎতুনা থিবদা মসিগা হায়ফেৎ মান্নবা ফাওবা ফংলোই হায়না থমজগে। ইশা ইশানা মুন্না খন্থদুনা য়েংবীয়ু।

কংলৈপাক (মণিপুর) গী হোংলক্লিবা খুন্নাইগী শক্তম অমদি কনানসু হৌনরুবা নৎত্রগা ইনশিল্লুবা নত্তবীদা খুন্নাইগী য়ূমথোঙ অয়াম্বদা ইনাৎ লীচৎ পাম্নরকপগী থৌওং উরকপগা লোয়ননা থৌরম পাঙথোকপা হৌনরকপসিনি। মসিগী মতিক চাবা খুদমশিংদি য়ূমগী অহল অমা/মীশক অমা লৈখিদবগী মথৌ তাবা থৌরমশিং মথৌবু শুমাংগী শরুক চাওনা লৈবশিংগীনা য়ূমদা ইনাৎকী ফু হৌবশিংনা থোং থাক্লগা শিল্লেরোম্বা/ইরাৎ ইশোন হৈবা অমনা লুক কৎপা, লৈ কৎপা, পুয়াগী লাইরিক ঙহাক তাবা, মৈরা কৎপগী থৌরম পরেংশিং পাঙথোক্লরক্লি। লৈতবশিংনা ইনাৎকী লাইফমলেনশিংদা কৎপা পাম্নরক্লি।

মতাংসিদা ইনাৎকী ওইনা তৌহঞ্জনীংবা ৱাফম অমদি- মী লৈখিদবা থা, থবান/নুমিৎ মান্নবা মান্নদবা হায়বা লৈবনা করিগুম্বা লৈখিদবা থা অমদি থবান মান্নবা মীগী মশীংনা য়াম্লবদি লাইফম অমদা লুক কৎচগে হায়না চৎলুবদা লাইফমগী শিল লাংলিবশিংনা য়ানীংবা অদুগা কৎচনীংবা থাদুগী থবান্দুদা কৎচগে হায়বা মশীং য়ামদবদগী শিল লাংলিবশিংনা য়ানীংদবা য়াওবদগী নাকল অনীমক্তা নুংঙাইতবা ফাওবসি থোক্তনবা লুক কৎপা য়াবা লাইফমলেনশিংগীদসু মী মশীং য়াম্না/য়ামদনা তিনবা য়াবা থৌরাংশিং তৌবীবগা লোয়ননা চয়োলগী ওইনা অদুগুম্বা নুমিৎ/থবানশিংসিদা লুক কৎপা য়াগনি হায়বনচিংবগী মরোল মীয়ামদা খঙহন্নবা লাইফমলেনশিংগীদা মীনা হেক উগদবা মফম অমদা 'খঙহঞ্জবা' হায়না চাউনা থারগা অঙৌবা চোক্লা ইবা য়াবা অপাকপা মপাক (ব্লেক বোর্দ) অমদা ইরগা থেৎপীরবদি মথৌ তাবা মরমগীদমক লাকপশিংনা পাজরগা শিল্লি লাংলিবশিংগী মফমদগী মখোয়না কৎচনীংলিবা অদুগী মরমদা ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। ''মদুদা ইহঞ্জনীংবা ৱারোলশিংদি - ১) চয়োলগী ওইনা লুক কৎপা য়াগদবা তাং (নুমিৎ); ২) কৎচনীংবা লুক মশীং; ৩) কৎচনীংলিবশিংগী লৈফম/ফোন নম্বর; ৪) পুং কয়াদগী কয়া ফাওবা ওফিস হাংগদবা; ৫) য়ামদ্রবদা/য়াম্লবদা কৎপা য়াবা লুক মশীং; ৬) মতম মতমগী ওইবা লুক অমগী মমল; ৭) শেল পীরগা রিসিপ্ট শোয়দনা লৌবীবা; ৮) লুক কৎপা মতম; ৯) মপুগী লুকমন চিন্দমমিন্নবা মতম অসিনচিংবা।'' অসুম্না তৌবিরবদি, লাইফমলেনশিংদা লুক্লেন কৎচনীংবা ইনাৎলোয়শিং মশীং নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্তুনা মতম খরগী মতুংদদি মীনা চিক্লা চাইনা ঙম্লক্তবসু য়াই হায়না থমজগে।

ইনাৎকী মমিং লৈবা লাইফমলেনশিংদা লাংবন চরা তম্বগী লুক্লেন কৎপগা মীরমগী মমিং লৈবা লাইফমলেনশিংদা কৎপগা খেন্নবা/মান্নদবা মচৎ অমা মীয়াম্না ৱাখল থাদবিনবা ৱাফম খরা থমজরি। মথক্তা হায়জখ্রে ইনাৎকীদমক্তদি - হায়বদি তোঙান তোঙানবা য়েক-শাগৈচাশিংনা ইনাৎকী লাইফমলেন অমদা লুক্লেন- লৈখিদ্রবা অহল-লমনশিংগীদমক কৎচবা মতমদা য়েক-৭কী পুকোক্তা লুক্লেন ৭ শেম্লগা কৎপনা কৎচরিবা মচা-মশু, শুথাংশিংনা পেঞ্জবা ফাওই। হৈরাং অমত্তং, লৈরাং অমতং, মৈরা-মনম মাগী মাগী য়েক্কী পুকোক অমমমদা কৎপসি য়াম্না চুম্বা/অফবা থৌওংনি।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মীরম লাইনীংগা মরী লৈনবা লাংবন তর্পন উতসব মীরমগী মমিং লৈবা লাইফমলেনদা কৎপা মতমদা নহালমখৈ তৌবদদি মখোয়গী গোত্রগী পুকোকশিংগী মমিং মথাগী অকূপ্পা মরোল অমত্তসু হায়দনা শঙলেন মনুং (মন্দির মনুং) দা হান্না নুমিৎ খুদিংগী লুক কৎপা অদুম হায়না কৎলগা তোঙান তোঙানবা শাগৈগী য়েক্তগী ওন্থোকখিবা গোত্রচাশিংনা পেন্থোকপা ঙমই। অদুদগী মী মশীংগী থারিবা চাক্লেনশিংদু ফংলগা অদুম লোইরে। ইনাৎ লাইনীংগীদমক য়েক তরেৎকী পুকোকশিংগী মফমদা মরী লৈনবা য়েক শাগৈচাশিংনা হায়জনীংবা অমদি নীজনীংবা ৱারোল কয়া, কনাগুম্বা খরনা মমিৎতগী মপি তানা কৎচবদু লৌবীরোইদবা মরম লৈরমগদ্রা? মীয়াম পূন্না খন্থমিন্নদুনা হন্দক চৎলিবা কুমজা ২০২২দগী 'লাংবন চরা তম্বগী থৌরম' ওইনা পাক্তক্লনা পাঙথোকপনা ফরোইদ্রা হায়না থমজগে।

অমুকসু, লনাইগী ওইবদা য়ুম্নাক-শাগৈ চাওবনা মরম ওইরগা য়ূম অমা হায়বদি মী খরা য়াম্না পূন্না লাংবন চরা তম্বগী লুক্লেন কৎপা য়াবা মওংদনা - ইনাৎকী ফু হৌবশিংনা তরা লুকোই মথেল হৌবা লোইরবা মতুংদা তেংপানবা মপু শিদবগী মফমদা লুক্লেন কৎলগা য়েক্কী পুকোক্কী মমিংসু শোল্লগা ফম্বালশিংদা লৈ কৎপা মতমদা শিদবা মপুগীদা হান্না কৎলগা কোন্না য়েক্কী পুকোক্কীদা কৎলগা - মপুগীদা কৎখ্রবদুগী লুকমনশিংদু মীয়াম পূন্না চিন্দমমিন্নগনি। অদুগা লাংবন চরা তম্বগী নোংমদুগী থৌরম মতোল লোমগনি। অসুক মরিক চুম্না ফজখ্রবা ইনাৎকী চৎন-কাঙলোনসিবু হুলাল্লবদি, মীরম লাইনীং লিচৎ চৎনবা মৈদিংঙু পামহৈবনা হোৎনরকখিবা মতাংদা মাইচৌ লানহনঙম্বা অহন্না নিংথৌদা হায়খিবা - ''নুংঙাইদা নিংথেম! নিংথেমগী সনা য়াথংবু কোরৌথক্তা কাফদবনে, মালেম লৈদা তাফদবনে। মৈতৈ লিচৎ লমদাংশাং সনাবু হুন্দোক্তুনা মীরমগী লাইনীং লিচৎ মফম মরাং খঙদববু লৌজৌ তাকপীবা অসিদি, নিংথেমগী সনা য়াথং হাপ্লবা নপুদা চরৈ ফিগাও লৈজদে, ৱারৌবীগনু নিংথেম হায়খিবসিগা হৌজিক্তা অমুক পাঙখক্লবা থৌওং ওইনা লৌরোইদ্রা, খন্থহঞ্জনীংই/ (নিংথৌরোল ইনোৎ - চেমায় ২২৩-২২৪)।

লাইশিংনা লৈবা অশেংবা মফমশিংদা/লাইফমশিংদা লাইনীংলোয়শিংনা চৎনীংবা হায়বসি হৌনশানি :- মালেমসিদা মান্নদবা লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) অমদি থাজবা লাইনীং লীচৎ অদুম লৈনৈ অদুবু মান্নবা অমতং হায়বা তারবদি ''লাইদি অমখক্তনি - গোদ ইজ ওনলি ৱান' হায়বা ৱাফমসিনি। ইনাৎ লাইনীংগী ওইবা ৱাফমদদি 'তেংপানবদা লৈরিবা মখল খুদিংমকপু শেন্বীবা মপু অমখক্তনি' হায়বসিদগী ইনাৎকী থৌরম অমা মালেমগী মফম অমদা হেক্তা, মথৌ তাবা থৌরম অমা পাঙথোকপদা 'ফম্বাল অমা লিংলগা/শেম্লগা/লাংলগা'' পাঙথোকপসিনা তাকই। অমুকসু ''লাই হায়না থাজবা মওং কয়াদা'' মালেমগী মীওই ফুরুপ কয়ানা অপান্নবা মফম খরদা লৈবদুম্না তৌনবা য়াওই। হোয় লৈফম থোকই। খুদম, মালেমদা লৈরিবা মীওইবা য়াওনা শা-ঙা, পাম্বী-শিংবী, থৱায় পানবা অমদি পান্দবা ফাওবা য়াওনা - অদুদি মালেমগী মফম অদুদগী অতৈ মফমদা শন্দোকখিবনি, মফম অদু নৎত্রবদি অতৈ মফমদা ফংদে, ফংলিবা খরদু মশক-মওং খরা মান্নরবসু লোইনমক চপ মান্নদে হায়নরি। অদুনা হৌরকফম, অশেংবা মফম অমা লৈবদি চুম্বা খঞ্জে। ●